ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ডা. টি ঐচ রন্ধিরদা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসার্ছ- নেসনল ব্যুরো ওফ এনিমেল জিনেটিক রিসোর্সেস, কর্নালনা কুমজা ২০১৯গী "ব্রীদ কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ" খূৎশিন্নরকখিবা

লামায় ১

কঞ্জার্ভেসন ওফ এগ্রিকলচরেল লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দগী মতাংদা এৱেয়রনেস কেম্পেন চথবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুরগী লৌফমশিং লৌসালগী টিমনা য়েংশিনখিবা

লামায় ১

রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়ল দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৯ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঠিএটরগী লমদা শক্লাইরবা লাইশ্রম তোন্দোনদা মৈত্রম বীর এৱার্দ ২০১৯ লান্থোকখিবা

লামায় ৪

চঙাঙ্গেদা লৈবা কোমেট স্কুলগী এন্যুয়ল ফঙ্কসনদা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা মহৈশঙ অসিদা পাঙথোকপা থৌরমশিংগী মকোক-মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা খূৎশিন্নবা

লামায় ৩

Vol. 43, Issue No.266 | লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, December 24, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ৱাশিংটনদা মীয়াম্না সী এ এ, এন আর সীগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ৱাশিংটনদা ঙসি মীয়াম্না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) অমসুং নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। নোংমাইজিং নুমীৎতা ৱাশিংটনদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী মমাংদা মীওই ৫০০ হেনবনা পূল্লগা মফম অদুদা লৈরিবা মহাত্মা গান্ধীগী শীংথানিংঙাই ওইরবা ষ্টেচ্যু মমাং ফাওদুনা রেল্লি চৎখি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা খ্বাইদগী চাওবা রেল্লিসু ওইখি হায়না অমেরিকান বজারনা রিপোর্ট তৌরি। অমরোমদা, কোংগ্রেস লুচিংবা কয়ানা ন্যু দিল্লিগী প্রগতি মাইদান মমাংদা সী এ এবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সত্যগ্রহাগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস এসোসিএসনগী জেনরেল বোদি মীফম লাক্লিবা দিসেম্বর ২৬কী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপীননবা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচানা আপিল তৌরক্লি।

'মরী লৈনদে'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ : হৌখিবা দিসেম্বর ১৯দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা চেন্নে হায়দুনা ফারে হায়রিবা মীওই ৮ আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না রেভল্যুসনরি পীপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা চেন্নে

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

HL Poll

Q: Leingakna loufamsingda eshing marang kaina fanghannaba ethei-loukhong ningthina shem-bide hibasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur da thokliba pollution asi yenglaga district khudingmakta air quality monitor toubagi mathou tare khanbra?

Yes 100% No 0%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২১ °C খ্বাইদগী ঈংবা ৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩২

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- সার, লৌবূক ময়াইদা শারিবা স্কুল অসি ২০১৪গী মতুংদা শাখিবনি!



- হাই, অসিদি ঐগী ইমাকনুপাগীনি লৌথোকপা য়ারোই...!

ঝরখন্দগী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পি মায়থীরে

সী এম রঘুবার দাস রিজাইন তৌখ্রে, জে এম এম-কোংগ্রেস-আর জে দি এল্লাইয়ন্সনা লৈঙাক শেম্নবা থৌরাং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সি): ঝরখন্দ এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা অপূনবা সিট ৮১গী মনুংদা শুপ্নগী সিট ২৫ ফংদুনা মায়থীরে। ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে এম এম), কোংগ্রেস অমসুং আর জে দিগী এল্লাইয়ন্সনা সিট ৪৭ ফংদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাস রিজাইন তৌখ্রে।

তাঙ্কক মঙা থোক্না নবেম্বর ৩০দগী দিসম্বের ২০ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখলগী ভোট মশীং থীবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা জে এম এম অমসুং কোংগ্রেসকী এল্লাইয়ন্সনা বি জে পিবু মায়থীবা পীখিবনি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মমাংগী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা অপূনবা সিট ৩৭ ফংখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগা চৎমিন্নবা ওল ঝরখন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা সিট ৫ ফংখি। মীখল অদুদা কোংগ্রেসনা সিট ৬৩গী হেন্না ফংখিদে।


বি জে পিনা মায়থীবা নংখ্রবা ষ্টেটশিং !

হন্দক্কী মীখল অসিদা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা অমসুং কোংগ্রেসকী এল্লাইয়ন্সনা সিট ৪৮, বি জে পিনা ২৫, জে ভি এমনা ৩, এ জে এস য়ুনা ২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সিট ৪ ফংখি।

ঝরখন্দদা মায়থীরবা মতুংদা বি জে পিনা হৌজিক ইন্দিয়া অপূনবগী চাদা ৩৫খক্তা লৈঙাক পায়বা ঙল্লে। কুমজা ২০১৭তা পার্টি অসিনা ইন্দিয়া অপূনবগী চাদা ৭১ দা লৈঙাক পায়বা ঙমখিবনি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ৩০৩ ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখি। মদুগী মমাংদা পার্টি অসি রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিশগরগী এসেমব্লি মীখলদা মায়থীখি। পার্টি অসিগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা মহারাষ্ট্র অমদি হরিয়ানাগী এসেমব্লি মীখলদসু মায়থীবা ফংখি। হরিয়ানাদা বি জে পিনা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখ্রবসু চহী ৩০ হেন্না অচেৎপা মরী থম্নরক্লবা শিব সেনাগা লাপথোক্লবা তাখি।

চৈরকসিদা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চাগী লুচিংবা হেমন্তা সোরেননা গ্রান্দ এল্লাইয়ন্সপু মায় পাকহনবগীদমক ঝরখন্দগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন, বিল পাস তৌবদা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা নবেম্বর ১৩দা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন অমসুং বিল পাস তৌবদা থমখিবা অথিংবা অদু লৌথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স) রাকেশ রঞ্জননা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না ট্রেজরি খূদিংমক্তা খুদক্তগী বিল পাস তৌরগনি হায়রি। শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপনা নবেম্বর ১৩দা এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন অমদি বিল পাস তৌবা পূম্নমক ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা থিংজিনখিবনি। ঈ/এস, ঈ/পি, সী দি এগী কেসশিং অমসুং এম ঐচ - ৮৪৪৩/৮৪৪৯দগী দিপার্টমেন্টশিংনা শেল লৌথোকপগী মতাংদা প্রাইয়রিটিগী মতুংইন্না অহান-অকোন নাইনা থবক তৌগদবশিংদি অহানবদা ঈ এ পি, সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী সেন্ট্রেল শ্যের, ষ্টাইপেন্দ অমদি পেন্সনগী ফন্দ; অনীশুবদা সেন্টরগী শরুক পীথরকখ্রবা ষ্টেটকী পুথোকফম থোকপা শেনফম; অহুমশুবদা নাবার্দতগী লৌবা লোন অমসুং ফাইনান্স কম্মিসনননা পীরকপা গ্রান্ট লোয়ননা লিগেল ফী, ইলেক্ট্রিক অমসুং ৱাটর চার্জ য়াওনা তঙাইফদবা এক্সপেন্দিচরগী শেনফমনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

ডা. টি ঐচ রন্ধিরদা আই সী এ আরগী ব্রীদ কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সেসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. টি ঐচ রন্ধিরদা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসার্ছ- নেসনল ব্যুরো ওফ এনিমেল জিনেটিক রিসোর্সেস, কর্নালনা কুমজা ২০১৯গী "ব্রীদ কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ" পীরক্লে।

কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা মণিপুরী পোনি য়োকখৎনবগী মতাংদা ডা. টি ঐচ রন্ধিরনা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা এৱার্দ অসি পীরকপনি। হরিয়ানাগী কর্নালদা লৈবা আই সী এ আর- নেসনল ব্যুরো ওফ এনিমেল জিনেটিক রিসোর্সেসতা ঙসি পাঙথোকখিবা কিষান দিবসকী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ষ্টেট অসিগী লালহৌবশিং অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): অতেনবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিং অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী হেংবুংদা কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, এগ্রি বাইওটেক্নোলোজি, ফোরেষ্ট্রি এন্দ ফিশরি শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা ঙমহল্লে। য়ানদবা অমসুং য়েৎনবা ৱাফম কয়া লৈরবসু ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লে।

কুমজা ২০১৭-১৮দা মহৈ-মরোং মরাং কাইনা পুথোকখিবগী-দমক মণিপুরনা কৃষি কর্মন এৱার্দ ফংলে। ট্রোফি, সাইটেসন অমদি লুপা ক্রোর ৫ য়াওবা এৱার্দ অসি বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খূৎশিন্নরগনি। টুরিজম, এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচর সেক্টরনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি। ষ্টেট অসি খুমাং চাউশিনহনবা ঙম্নবগীদমক থবক শূবগী হৈনবী লৈহনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

লৌফমশিংদা শাজিল্লক্লিবা কয়া লৌশালগী টিমনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): লৌ উবা য়ারিবা লৌফমশিংদা শাজিল্লক্লিবা কয়া অসি লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙফম থোকই। চিঙাক পুথোকফম ওইরিবা লৌফমশিং কনবদা পুম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নিসি হায়না লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপ (লৌসাল) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড ফার্মরস দেগা মরী লৈননা কঞ্জার্ভেসন ওফ এগ্রিকলচরেল লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মাস এৱেয়রনেস কেম্পেন চথবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুরগী মফম কয়াদা লৌফমদা শাজিল্লক্লিবা কয়া লৌসালগী টিমনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মুতুম চুরামনিনা হায়খি, হৌখিবা চহী কয়াদগী লৌসালনা মণিপুরগী লৌ উবা য়ারিবা মফমশিং কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌরক্লি। হৈঙাং এসেমব্লী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

হায় কোর্টনা সিভিল সপ্লায় ইন্সপেক্টর ৯ থা ১গী মনুংদা জোইন তৌহন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী কঞ্জ্যুমর এফেয়রস, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সী এ এফ এন্দ পি দি) লোয়শঙনা থেঙ্খাং অহুম্লক্তা লৈঙাক্কী এপ্রুভেল লৌরগা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা সিভিল সপ্লায় ইন্সপেক্টর (সী এস আই)গী পোষ্টশিংগী মনুংদগী খরনা জোইন তৌহল্লগা পোষ্টিংনচিংবা পীদুনা মথৌ পাঙথোকহল্লগা খরবুনা জোইন তৌবা ফাউবা থিংজিন্দুনা থম্লকপগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্ট অসিনা ৱাকৎলক্লিবা পিটিসনর সী এস আইশিং অসিবু থা ১গী মনুংদা জোইন তৌহন্নবা ওর্দর পীখ্রে।

সী এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙনা খনখিবা সী এস আইশিংগী মরক্তগী ৱাথোক ওইরক্তুনা কোর্টকী মতেং লৌনরক্লিবা অসিগী মরম্না হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবর ২২ দা লোয়শঙ অসিনা সিভিল সপ্লায় ইন্সপেক্টর ১০ লৌনবগী নোটিফিকেসন অমা থোকখি। থোকখ্রিবা নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ১৫ অমসুং দিসেম্বর ৩১ দা অনীরক থোক্লা থোকখিবা ওর্দরশিংনা সিভিল সপ্লায় ইন্সপেক্টর ২১ গী এপোইন্টমেন্ট পীখি হায়রি।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

খৃষ্টমাসকী পাউজেল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্টরশিং অমসুং মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা থাদোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, খৃষ্টমাস লাকপগা ইরোইননা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা থম্নবা মরী চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনসু খৃষ্ট মাস অমসুং অনৌবা চহী লাকপগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। চেরোল অমদা মিনিষ্টরনা হায়, খৃষ্টমাস লকপগা ইরোইননা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

ꯃꯤꯌꯥꯃꯗ ꯍꯥꯏꯖꯕ / PUBLIC APPEAL

IMPHAL, the 23rd Dec. 2019

MSPDCL না পাউগী খূথাংদা হায়জখিবগী মতুং ইন্না মখাদা পীরিবা কঞ্জ্যুমর অহুম অসিগী মথক্তা F.I.R. চনখ্রে।

1. Salam Mangoljao Singh (Meter By Pass) Meter no. 20055751 (HPL) Arong Nongmaikhong Awang Leikai
2. Ningthoujam Chaobi Devi W/o. (L) N. Ibochoubi Singh (Meter no. 20055753)
3. Kr. Sumita Devi W/o. Rakesh Singh, Langathel Mayai Leikai.

Kakching SP গী supervision মখাদা লৈবা OC Th. Damu, PS Arong Nongmaikhong না চাওনা মতেং পাংবীবগীদমক GM II গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং Heingang second OC গী মতেংগা লোয়ননা Drive চথবদা meter by pass connection তৌরম্বা Khomidok অমসুং Kairangগী কঞ্জ্যুমর 50 (fifty) গী connection কক্থৎখ্রে।

মৈগী Revenue হেনগৎনবগী পান্দমদা মৈগী disconnection গী থৌরমগী মখা চথজরকপা ওইনা য়াম্না অরিবা outstanding dues তোনবা কঞ্জ্যুমরশিংনা অনৌবা connection অতোপ্পা মিংদা লৌশিন্দুনা হান্নগী মৈগী dues নমশিন্দুনা থম্লম্বা থোক্লবদি মদু un-authorized connection হায়না লৌজগনি অমদি খুদক্তা মৈগী connection কক্থৎচগনি। মরম অসিনা কঞ্জ্যুমর (Prepaid & Postpaid) শিংনা হায়রিবা অসি তৌবীবা য়াওরবদি অথুবা মতমদা ইশা-ইশাগী কোল্লিবা sub-division office তা চৎপীদুনা শেংদোকপীনবা হায়জরি।

কঞ্জ্যুমরশিংদগী মতেং নিজরি।

Sd/- **B. Ibomcha Sharma**
General Manager, Electrical Circle II, MSPDCL

HL-B/5909/24

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.
GET IT ON Google Play DOWNLOAD 100% FREE APP
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-P/5531/12/12-13/01

#IamReady
Special Summary Revision 2020
I AM READY
মতীক চাবা ভোতর খুদিংমক ভোত থাদনবগী অমসুং লৈঙাক শেম্নদা শরুক য়ানবগী হক লৈ। ইশা ইশাগী হক লৌনবগী খুদোং চাবা অসি মাঙহনবীগনু। অদোমসু চহী ১৮ শুরবদি নত্ত্রগা ইং ২০২০ গী জনুৱারী ১ ফাওবদা চহী ১৮ শুগদৱা ওইরবদি শোয়দনা ভোতর অমা ওইনা রেজিস্তর তৌবীয়ু।
চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার, মণিপুর
রেজিস্তর তৌনবগীদমক অদোমগী বুথ লেভেল ওফিসার (বি এল ও) গা ফাওনবীয়ু নত্ত্রগা কোল তৌবীয়ু 1950 নত্ত্রগা চঙবীয়ু www.nvsp.in
ceomanipur ceomanipur ceomanipur ceomanipur
রাইনা শর্মা লাইময়ুম
মিস মণিপুর ২০১৯
Fluorescence Communications Pvt. Ltd
HL-B/5908/24

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫